ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 1, Issue 250 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং–৩৪২৩–২৪ | ইম্ফাল,লমতাগী ৯ নি পানবা, য়ূমশকৈশা ফেব্রুৱারী ২৫,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।–


## নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ২৫(ৱায়েল কাতি) ঃ** কারুনা মুর্তি মিশ্রানা মহাত্মা জ্যোতিরাও ফুলে এৱার্দ ফংলকপদা ভাইসনাবি জুবাতি নীংশিংলূপ, সোনাই অসামনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২২দা সিলচরগী হোটেল অমদা ভাইসনাবি নীংশিংলূপ, সোনাইগী মীহুৎশিংনা কে কারুনা মুর্তি মিশ্রাবু এৱার্দ অসি ফংলকপদা তরাম্না ওকখি। থৌরমদুদা কে কারুনা মুর্তিদা লেংয়ান ফি খূদোল তমদুনা লূপ অসিগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা প্রোঃ কে ঐচ ধিরেন অমসুং নোংথোম্বম ধিরেনসু শরুক য়াখি। পনবা য়াবদি, এৱার্দ অসি চহী খূদিংগী লৈবাক অসিগী অইবা অমসুং শোগুরবা কাঙলূপকীদমক্তা হোৎনরিবা মীশকশিংদা পীবনি হায়রি।

## এম য়ুদা বোম থল্লম্লে

**ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ২৫(ৱায়েল কাতি) ঃ** শকখঙদবশিংনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরগী কেম্পস মনুংদা বোম অমা থল্লম্লে হায়রি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, বোম অসি য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনুংদা মেইন গেটতগী চঙলক্লগা ইলাপ লাপ্তুনা লৈবা ত্রাফিক আইলেন্দগী মপান্দা থল্লম্বনি। বোম অসি ঙরাং নুমিদাং থল্লম্বা ওইরমগনি চীংনরি। বোম অসিগী মনাক্তা ‘ থবক তৌবদা শেঞ্জা থুমজা তৌবা ওঝাশিংগী মথক্তা এক্সন লৌগনিঃ কেসিপি ’ থাবা চেরোল অমসু লৈরমখি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা বোম অসি করি মরমগী থল্লম্লিবনো হায়বা খঙদ্রি হায়রি।

## সেনাপতিদা পোপ্পি য়াম্থৎখ্রে

**ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ২৫(ৱায়েল কাতি) ঃ** সেনাপতি পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সাদিম হিলস রেঞ্জতা একর ৮ রোমদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙ–তাকহনখ্রে । পোপ্পি য়াম্থৎপা অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্স, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমদি একজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট য়াওনা চথখিবা ড্রাইভ অদুদা পোপ্পি থাবদা শীজিন্নবা স্প্রে পম্প, পাইপ, ৱাটর কন্টেনর অমদি লৌতাঙশঙ অনী অমসু মাঙ–তাকহনখি হায়রি।

## ইম্ফাল থাদোকখ্রে

**ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ২৫(ৱায়েল কাতি) ঃ** য়ুনাইটেদ এসোসিয়েসন ওফ কিক বোক্সিং ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী লমজিং মখাদা ৱাকো, ইন্দিয়া কিক বোক্সিং ফেদরেসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২৬তগী মার্চ ১ ফাওবা রাধা সিলিগুরি ৱেষ্ট বেঙ্গলদা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া অস্মিতা কিক বোক্সিং জোর্নেল লিগদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী শান্নরোই ২৮ অমদি ওফিসিয়েল ৪ ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

### হয়েংগী নোংদম

২৬।০২। ২০২৬

–এষ্ট্রো–কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ –থবক্কী অনৌবা থৌদাং লৌবা য়াই। শেল থাদবগী লমদদি খূদোংচাদবা মায়োক্লগনি।

বৃষ – থবক তৌবা হোৎনবদা চাংচৎতা ফৈ। নথক থোংবশিংগী তেংবাং ফংগনি।

মিথুন– থাজদবা মওংদা শেল চৎলু হায়বা লৈ। হকচাংগী ওইনা খনাও নুংঙাইতবা লৈ।

কর্কট –পূক্নিংগী ঈহুলদা ৱারেপ লৌরোইদবনি। শেল থুমদি চাংচৎতা ফগনি।

সিংহ– লল্লোন ইতিক্কী লমদা থবক তৌবদা কান্নগনি। থবক তৌবদা মীয়াম্না শক খঙবীবা লৈ।

কন্যা– থবক্কী পোৎলূম হেঙ্গৎচরগসু কান্নবা ফংগনি। শেল শান্দোকপা তৌগনু। মাঙগনি।

তুলা– থবক্কী অনৌবা খূদোংচাবা ফংবা য়াই। শেন্থোক অমসুং চাদিং মান্ননা চৎকনি।

বৃশ্চিক–অরোনবা ওইনা পাঙথোক্লিংবা থবক তপথৌ। শেঞ্জাও চৎখিদনবা হোৎনবা চূমগনি।

ধনু– থবক্না মরী লৈননা লম চৎপা কান্নগনি। শেল থূমগী ওইনা অশানবা মীৎয়েংদা থৌরাং তৌ।

মকর– থবক য়াম্না কন্না শু–নোম্বদা কান্নবা ফংগনি। শেল থুম লাক্পগী লম্বী তপ্লগসু কান্নগনি।

কুম্ভ– কান্নদবদা চাদিং তৌদনবা হোৎনৌ। য়ারিবমখে ৱাখল পোত্থনা লৈনবা হোৎনৌ।

মীন – লাইনিং লাইশোনগী লমদা থাজবা লৈরগদি পূক্নিং ইংগনি। নিংথিনা তূম্বা কান্নগনি।

শান্নরোইশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকখ্রে

## গোবিন্দাসঃ মণিপুরদা অথুবদা স্পোর্টস সাইন্স সেন্টর লিংখৎনবা এম ও য়ু সাইন তৌনরগনি

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ য়ূঠ এফিয়ার্সনা এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা ঙসি খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা শান্নরোইশিংগী নুমিৎ ২০২৬ পাঙথোকখ্রে।




থৌরম অদুদা মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা চীফ গেষ্ট, সেক্রেটরি য়ূঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস নাওরেম প্রবিন সিংহ (আই এ এস)না প্রসিদেন্ট ওইখি। ৱাঙ্খৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমার, য়ূঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর ডাঃ ময়েংবম ভিতো (এম সি এস), ওলেম্পিয়ান হোকি শান্নরোই ক্ষেত্রিময়ুম থোইবা সিংহ, সি আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট এম কুঞ্জারাণি দেবী অমদি মণিপুর ওলেম্পিক্স এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট সুনিল এলাংবমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা, মিনিষ্টর গোবিন্দাসনা হায়খি, শান্ন–খোংনবগী খূথাংদা মণিপুরনা লৈবাক অসিদা লেমজনিংঙাই ওইবা মফম কন্দুনা লাক্লি। তেঙান তেঙানবা ইন্টর নেস্নেল প্লেটফোর্মশিংদা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবসি চাওথোকচনিংঙাইনি। লৈবাক অসিগী ওইনা ওলেম্পিয়ান মশিং খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরসু অমনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা ষ্টেট অসিগী ওইনা নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লিংখৎতুনা শান্ন–খোংনবগী লমদা হেন্না খূমাঙ চাওশিন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্লি। অথুবা মতমদা স্পোর্টস সাইন্স সেন্টর অমসু লিংখৎপগা লোয়ননা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা ত্রেনিংশিং পীনবগী থৌরাং লৌখৎলগনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা চয়োল অমগী মনুংদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) খূৎয়েক পীনরগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা স্পোর্টস দিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা প্রোপোজেল অমা মিনিষ্ট্রি ওফ দোনরদা পীশিনখ্রে। চীফ মিনিষ্টরগা তান্নরগা অথুবদা স্পোর্টসকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। শান্নরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা তুংগী মীরোলদা ঈথিল পীবা ওইনা চহী খূদিংগী শান্নরোসশিংগী নুমিৎ পাঙথোক্তুনা লাকপনি হায়খি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দনা শান্নরোইশিংদা য়াইফ–পাউজেল পীরকখ্রে।

## সি এম য়ূম্নাম খেমচান্দ হল্লকখ্রে, মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তপথগদৌরি

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** চীফ মিনিষ্টর ওইরকপগী কর্সি কোল ওইনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২১দা দিল্লিদা চৎখিবা চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দ ঙসি নুংথিল ইম্ফালদা হল্লকখ্রে। অদুমকপু মীয়াম্না মহাক হেক হল্লকপগা মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তৌরক্কনি হায়না থাজনখিবা অদুদি খরা তপথরবা য়াই।

হন্দক্কী চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সাহ, দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ, ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিথারমন য়াওনা সেন্টরগী লুচিংবা ময়াম অমা উন্নরকখি। প্রাইম মিনিষ্টর উন্নবা অদুদদি মণিপুর মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লক্লে হায়না পাউদম্বগা লোয়ননা মহাক্না পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদসু পাউ তমখি অমদি মণিপুরদা লাকপীনবা হায়জখি।

মিনিষ্ট্রি এক্সপান্সন তপথরকপগী মরম করিগীনো হায়বা চপ চানা হায়বা ঙমদ্রি। অদুমকপু সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মঙোন্দা মিনিষ্টর এক্সপান্সন তৌননবগী ৱাফম অমত্তা হায়রকপা লৈতবদগী মতম খরা তপথগদ্রা হায়না লৌনরকপনি। তপথগদৌরিবগী মরম করিগীনো হায়বা চপ চানা খঙদ্রগসু হৌজিক ওইরিবা কুকি অমসুং মৈতৈ অনীগী উংখৎনবগী ফিভম অসি ফনা য়াম্না ইংথজরগসু সেন্টর গভর্নমেন্টনা পাল্লিবা মায়কৈ অসোমদা লাক্তবসিগী ওইরমগদ্রা হায়না খন্নরি।

মরু ওইনা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট লোমদা অনৌবা লৈঙাক অমা লাকপগী হরাওবা লৈত্রি। মসিগীসু মথক্তা গভর্নমেন্ট অসিনা মখোয়গী এম এল এশিং য়াওবা নৎত্রগা য়াওদবগী মতাংদসু য়াম্না ময়েক শেংদবা লৈরি। ঈরাং হেক্তমক থোকপা য়াবগী ফিভম লৈরিবসি কমদৌনা কোকহনগদগে হায়বগী মতাংদা কুকিগী সি এস ওশিং অমসুং পোলিটিসিয়ানশিংগা চীফ মিনিষ্টরগা তোথায়না উন্নরগা ৱারী শান্নহন্নিংবগী অপাম্বা সেন্টর গভর্নমেন্টদা লৈরম্বা য়াই। ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মিনিষ্টর এক্সপান্সনগী ৱাফম অসি য়াওশঙ মতুং ফাওবা চোম্থগদ্রা হায়না লৌনরি।

পনবা য়াবদি, চীফ মিনিষ্টরগা ৱাশক লৌমিন্নখিবা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর অনী অমসুং এন পি পিগী লূচিংবা অমনা পায়গদবা পোর্টফোলিওসু পীথোক্তনা লৈরিবনি।

## এক্টর গোকুল অথোকপম এন্তিসিপেটরি বেল লৌখ্রে

**ইম্ফাল,ফেব্রুৱারী ২৫(ৱায়েল কাতি) ঃ** মীয়াম্না শকখঙবা মায়খঙনরবা এক্টর গোকুল অথোকপম মহাক্কী লোইনবী সোনিয়া অথোকপম ফুবগা মরী লৈননা ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱুমেন পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎলকপা এফ আই আর অমগা মরী লৈননা হেক্তা ফাবা য়াদনবা এন্তিসিপেটরি বেল লৌখ্রে।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৭তা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা হোষ্টেল কাশলদা নুমিদাং বার্থ দে পার্টি অমা মতৈ মনাও য়াওমিন্নখি। মফম অদুদা মখোয় অনী নীংঙাই শংদান্নরকখি। মদুনা মরম ওইরগা বার্থ দে পার্টি অদু লোইদ্রিঙৈ মখোয় অনী ময়ূমদা হল্লকখি। কার মনুংদসু মহাক্কী লোইনবীবু গোকুলনা তমথিনা ফুখি হায়না মরাল শীরি। ময়ূম য়ৌরবা মতুংদসু কারদগী চিংথরগা য়াম্না থীনা ফুবীখি।

পাউ অদু ফংবদগী সোনিয়াগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং লাক্তুনা মহাকপু হোস্পিটালদা পুখৎখি। হৌজিকসু সোনিয়া পাখৎপা, থকৎপনা পীক থন্দুনা ৱাখল লায়না নারকপদগী লায়েংদুনা লৈরি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা সোনিয়াগী অপোকপা ৱাংলেম্বম গুনাজিৎনা পুলিসতা কমপ্লেইন তৌরকখি। মশাগী চহী ৪৫শুরবা লাংজিং অচৌবা মনিং লৈকায়দগী গোকুল হৌজিক হৌজিক এন্তিসিপেটরি বেল লৌরগা লৈরি।

### মপাল্লমগী পাউ

## বাংলাদেশি ২৫ কাঙলোন কায়না চঙলকপগী মুম্বাইদা পুলিসনা ফারে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংগী মায়োক্তা লৌখৎপা থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা মুম্বাইদা ভর্সোবা পুলিসনা থিবা হূম্বগী থবক চথবদা ত্রান্সজেন্দর ২১ য়াওনা বাংলাদেশি ২৫ ফারে হায়না ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে। পুলিসকী রিপোর্ট অমনা হায়, ভর্সোবাগী সকুল সাহ দরগাহ মনাক্তা পুলিসনা অখন্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিঙৈদো টীংননিংঙাই ওইবা থৌওং খরা থেংনখি। মফম অদুদা লৈরম্বা মীওই খরা ৱাহং পাউহং চথবদা কাঙলোন কায়না বাংলাদেশতগী চঙলকপনি হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমখি। মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথরিবা মরমনা অতৈ অতোপ্পা মীওই কয়াসু ফাখিবগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি। সেনিয়র পুলিস ইন্সপেক্টর দিপ সিখাহ ৱারেনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ফারবা মীওইশিং অদু বাংলাদেশতগী কোরকাতা অমদি মিজোরাম ফাওরগা মুম্বাইদা চঙলকখিবনি। মখোয় অয়াম্বা হৌখিবা চহী ৮ রোম ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরকখি। গুজরাট অমদি দিল্লিনচিংবা মফম খরদসু কাঙলোন কায়না চঙলকপা বাংলাদেশি কয়ামরুম লৈরি হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

## এফ–১৬ কায়বদা পাইলোট শিরে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** টর্কিজ এয়র ফোর্সকী এফ–১৬ ফাইটর জেট অমা কায়বগী থৌদোক্তা পাইলোট অদু শিরে হায়না ওথোরিতিনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অসি ঙসি বালিকেসির প্রোভেন্সকী বুরসা–ইজমির হায়ৱে মনাক্তা থোকখিবনি। বালিকেসিরদা বেজ তৌবা ৯শুবা মেইন জেট কম্মান্দগী এয়রক্রাফ্ট অদু ঙসি অয়ূক অঙনবদা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌনবা হোৎনবদা কায়খিবনি। থৌদোক থোকফমদা ইমর্জেন্সি টিম, পুলিস অমদি মেদিকেল টিমশিং চঙশিন্দুনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথরি। বালিকেসিরগী গভর্নরনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবা এফ–১৬ কায়খিবগী মরম চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। টর্কিজ মিনিষ্ট্রি ওফ নেস্নেল দিফেন্সনা টেক্নিকেল এক্সপার্টশিং থাজিন্দুনা ফ্লাইট দেতা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা প্লেন কায়খিবগী চপ চাবা মরম খঙদোক্লবা হোৎনরি। ৯শুবা মেইন জেট বেজ কম্মান্দ অসি টর্কিজ এয়রফোর্সকী য়াম্না মরু ওইবা বাট্টালিয়ননি। কোব্রা, তাইগর অমদি ত্রেনিং স্কৱার্দ দ্রোননচিংবা কম্মান্দ অসিগী মখাদা লৈ। পনবা য়াবদি, মালেমগী ওইনা এফ–১৬ ফাইটর জেট খ্বাইদগী য়াম্না লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা টর্কিজসু অমনি হায়রি।

## ইন্দিয়ানা কুকি মিলিটেন্ট শীজিন্নরগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতানদা ঈরাং থোকহনবনিঃ এন এস সি এন (আই এম)

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নাগাশিংগী ঈহৌ নমথনবগী পান্দমদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা কুকি মিলিটেন্টশিং শীজিন্নরগা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতানদা তাঙ্খুল নাগাশিংগী মায়োক্তা অতম্না ঈরাং থোকহনবনি হায়না এন এস সি এন (আইএম)না মরাল শীখ্রে।



লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, ফেব্রুৱারী ৮দা কুকি মিলিটেন্টশিং শীজিন্নরগা লিতানদা ঈরাং থোকহনখিবদু ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী অখন্নবা থৌরাংনি। নুমিৎ অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সেসনা তাঙ্খুল নাগা মীচমগী মায়োক্তা ওপরেসন চথবদা মায়খূম উপখিবগী মরম করিগীনো হায়বা মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। অসাম রাইফলসনা মীচঙ মীখায় নাইবা মওংদা থবক তৌদুনা কুকি মিলিটেন্টশিংগী মীচঙদা লেপ্লগা নাগাশিংগী মায়োক্তা অতম্না ওপরেসন চথরকখি। জেনেভা কনভেন্সনগী আর্টিকেল ১ দা য়াওরিবা ক্রাইম এগেনষ্ট হ্যুমেনিতি চথদুনা অসাম রাইফলসনা মখল কয়াগী মতেং পাংশিন্দুনা কুকি মিলিটেন্টশিংবু অতম্না নাগাশিংগী য়ুম মৈ থাহনখি। ইন্টরনেস্নেল হ্যুমেনিটরিয়ান লোনা য়াদবা থৌওং অসি মীপূম খূদিংমক্না কন্দেম তৌফম থোকই হায়রি।

কুকি মিলিটেন্টশিং মনিং মখা তৌহল্লি হায়না মরাল শীরদুনা এন এস সি এন। জি পি আর এন না কুকিগী লূপশিংনা পুৱারী শেমদোকপগা লোয়ননা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মতেং লৌদুনা নাগা মীচমগী মায়োক্তা কা হেনবা থৌওং চথরকখিবনি হায়বা মালেমগী মীপূম খূদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়রি।

## এন সি এল দি সিগী ফাউন্দেসন দে পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৫ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নোংমৈবুং চাকপ্রম লৈরক দিভলপমেন্ট কম্মিটি লিংখৎখিবা চহী ৮ শুরকপগী ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মল্টি য়ুটিলিতি পার্ক, নোংমৈবুং চাকপ্রম লৈরক্তা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ৱাঙ্খৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমার, কম্মিটি অসিগী চেয়রমেন চাকপ্রম রুপচন্দ্র অমদি ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্টস ক্লব, নোংমৈবুংগী প্রসিদেন্ট ৱাহেংবম ইশ্বরচন্দ্রনা মরু ওইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৈকায় অসিগী চহী য়াম্লবা অহলশিং, তোঙান তোঙানবা লমদা এৱার্দ ফংলক্লকখ্রবা অমদি কম্মিটি অসিগী ষ্ট্রিট লেম্প মেন্টেনেন্স টিমবু তরাম্না ওক্তুনা ইকাই খূম্নবা উৎখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা হায়, অফবা লৈকায় অমা শেমগৎপদা অহল অমদি নহাশিংগী মখা য়াম্না পোল্লি। নোংমৈবুং চাকপ্রম লৈরক্কী ওইনা লৈরিবা দিভলপমেন্ট কম্মিটি অসিনা চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলকপা মতমদা লিংজেল মান্নবা, থম্মোয় শেংনা লৈকায় মীয়ামগী লৌরিবা দায়ত্বশিং অতাঙবনি হায়না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

এম এল এনা মখা তারদুনা, কেন্দ্র অসিগী মফম কয়াদা রিজিদ পেভমেন্ট অমদি আই ভি আর শিং নিংথিনা শেমগৎনবগী থাজবা থম্বগা লোয়ননা অৱাৎ–অপা খূদিংমক লৈকায় লৈকায়গী লৈরিবা কম্মিটিশিংগী মেম্বর অমদি মীয়ামগা লোয়ননা হকথেংননা য়েংশিনমিন্নসি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## ‘কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দতগী মচাক লৌদনা কেলেন্দর ফোঙবা য়ারোই’

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৫(ৱায়েল কাতি)ঃ** কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দনা চহী খূদিংগী সাইন্টিফিক ওইবা কেলেন্দরগী মচাকশিং কংলৈ মীয়ামদা ফংহনবগা লোয়ননা কংলৈ মীয়ামদা হান্না মমাঙদা চম্নবা পোকহল্লম্বা, কেলেন্দর অমগা অমগা থবান খেন্নরম্বা কয়াদগী কোকহনবা ঙমখ্রে হায়না বোর্দ অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল সোরোইশম সঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিগী অমত্তা ঙাইহরবা কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দ লৈনা লৈনা মসিদগী মচাক লৌদনা কনাগুম্বা অমত্তনা লন্নাই কেলেন্দর ফোঙবা য়ারোই। অদুবু মসি তাশিন্নদবা, মনাকোং পান্দবা, মঙক হাইগৎপা মানবা, অনম কনবা মীওই খরনা কুশি–রাশিদা থবান য়াওবা কেলেন্দর নমখৎনরকপা, ফোঙগৎনরকপা অসি কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দনা মখোয়গী মথক্তা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরোই। লমদম অসি মপু পান্দবদৌনা ঐগী ঐগী অপাম্বা কুশি–রাশিদা পংতৌ তৌখৎনরকপা, হৈপা শাবা, অখঙ অহৈ শাবা, মতৌ মালহনবা, মীঙোন্দগী নম্ফু হাফুদা লোন্না থুপ্না মচাক শিন্দোক্লগা কেলেন্দর ফোঙবগী থবক অসি পরিক্ষাদা নোট তৌবগুম্বনি। মসিগুম্বসি তৌবীগনু হায়রি।

## ‘একজামদা অরানবা পান্থৈ শীজিন্নরম্বা থেংনরবদি মশা মশানা দায়ত্ব পুজগদবনি’

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৫ (ৱায়েল কাতি) ঃ** হৌজিক পাঙথোক্লিবা বোসেম অমদি কোসেমনা লৌবা ক্লাস তেন, এলেভেন, টুয়েল্ব একজামিসনদা অরানবা পান্থৈ শীজিন্নবা থেংনরবদি মদুদা লৌখৎলকপা থবক্তা মশা মশানা দায়ত্ব পুগদবনি হায়না খুমন য়ুনাইটেদ ক্লব এন্দ মৈরা পায়বী এসোসিয়েসন, ( কে য়ু এম সি এ)ময়াং ইম্ফাল হৈগুম, ৱুমেন ৱিংগী সেক্রেটরি থাংজম রেবিকা লৈমনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা কে য়ু এম সি এগী প্রসিদেন্ট অসেম মেচানা ফোঙদোকখিবদা, য়াওশঙগী নুমিদাং পুং ১২ ফাওবদা চোংবীয়ু। নোংঙাল্লমদাই ফাওবা চোংবা তৌবীগনু। হৌজিক ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা লান লোইবা নৎত্রি। ঐখোয়না নুংঙাইথোকপা য়াবা মতম ওইদ্রি। ঐখোয় পুন্নমক য়াম্না চেকশিন্না ৱাখল খন্থরগা করি তৌসিগে হায়বা মতমদু য়ৌরক্লে। থাবল চোংবা মতমদা য়েংবা নুংঙাইতবা পাখঙ লৈশাবীশিংনা মওং মরীল তাদবা দ্রেশ শেৎপীগনু। নুপী মচা লৈশাবীশিংনা থাবল চোংবা মতমদা খোঙ্গ্রাও শেৎলগা ফুরিৎ মওং তাদবা শেৎলগা থাবল চোংবীগনু। লোয়ননা য়াওশঙ থাবলদা মওং মরিল তাদনা চোংলম্বা থেংনরবদি লূপ অসিনা খুদক্তগী থিংজিনগনি ফোঙদোকখি।

## কলচরেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৫ (ৱায়েল কাতি) ঃ** অপূনবা মণিপুরগী শক্তম অমা শাগৎপদা ঐখোয়গী ইরমদমগী ওইবা চীঞ্জাক, পূন্সি মহীং অমদি শক্তমনা অচৌবা মতেং পাংগনি হায়না ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট গোপেন লুৱাংনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুর, এমেস্কো, অমাকসুনা পূন্না শীন্দুনা ঙসি য়ু এস এ সি কম্যুনিতি হোলদা ‘ ৱান মণিপুর ঃ অৱার ফুদ, অৱার কলচর, অৱার আইদেন্টিটি’ হায়বা ঠিমদা নোংমগী ওইবা কলচরেল কনফরেন্স অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অদুদা লূপ অসিগী সেক্রেটরি গোপেন লুৱাং, এমেস্কোগী প্রসিদেন্ট চীংলেম্বা, এমাকসুগী প্রসিদেন্ট অবুং শর্ম্মা, হুইয়েন লানপাউগী এদিযর ধনবির মৈতৈ, সনালৈপাক্কী এদিটর নিংঙোম্বম নিমোলনচিংবনা শরুক য়াখি।

গোপেন লুৱাংনা মখা তানা হায়, ঐখোয়না চারিবা ইরমদমসিগী ওইবা চীঞ্জাক অসিদা ইরমদম অসিগী হৌরক্লোন, ইপা ইপুগী হৌরকফম, পুৱারীগী লীক্লম কয়া পুথাং পাথাংদগী ৱারী লীরিবনি। ঐখোয়গী, চৎনবী, নাৎ, শক্তম হেক মীরাইবা মীৎকুপ্তা ঐখোয়না ঐখোয়গী হৌরকফম অমদি অহল লমন মীরাইবনি। অপূনবা মণিপুর অমা হায়বসি ঐখোয়না ঐখোয়গী চিঞ্জাক, চৎনবী, নাৎ অমদি শক্তম ঙাক্তুনা থম্নসু অচৌবা মতেং পাংই হায়বসি কাওরোইদবনি ফোঙদোকখি।


## য়ু কে দা অঙাংখাউ ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবী নুপী অমা অঙাং উন্নখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫(ৱায়েল কাতি) ঃ** য়ুনাইটেদ কিংদমদা অহানবা ওইনা অঙাংখাউ ত্রান্সপ্লান্ট তৌরবী নুপী অমা অঙাং উন্নখ্রে।

গ্রেস বেল কৌবী নুপী অমা অঙাংখাউ য়াওদনা পোক্লকপা মরমনা অতৈ নুপীশিংগা মান্নদবা মওংদা মপূন্সিগী ওইনা থাগী খোঙকাপ লাকখিদে। নুপী অদু অঙাংখাউ য়াওদবা তারবসু ওভারিদি অদুমক য়াওরম্মী। থৌওং অসিবু মেয়র– রোকিতান্সকি– কুস্টর– হোজর (এম কে আর ঐচ) সিন্দ্রোম হায়না খঙনৈ।

মহৌশাগী ওইবা মওংদা অঙাং উন্নবগী খূদোংচবা লৈত্রবী নুপী অদু শুপ্লগী সিরোগেসি নৎত্রগনা ৱুম ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা নৎত্রবদি মমা ওইনবগী অতোপ্পা লম্বী অমত্তা লৈরমদে। অশিবা নুপী অমদগী অঙাংখাউ লৌথোক্লগা গ্রেস বেলদা ত্রান্সপ্লান্ট তৌদুনা মমা ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা মালেমদা য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌওং অমা ওইরিবা ৱুম ত্রান্সপ্লান্ট তৌবদা গ্রেস বেলগী ওইনা পূং



১০ রোম চঙলম্মী। কুমজা ২০২৪ গী জুন থাদা ওক্সফোর্দকী চার্চিল হোস্পিটালদা ৱুম ত্রান্সপ্লান্ট তৌখিবনি। মালেমগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা ৱুম ত্রান্সপ্লান্ট তৌরগা অঙাং উন্নবা মীওই ৭০ শুরে। মসিগী মনুংদা য়ুরোপ্তগী মীওই ২ য়াওরি।

মীওই ৩০ দি অশিবা নুপীদগী অঙাংখাউ লৌথোক্লগা ত্রান্সপ্লান্ট তৌখিবনি। হন্দক্কী মতাং অসিদা অশিবা নুপী অদুনা অঙাংখাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা হকচাংগী ওর্গান ৫ কখোল্লম্বগা লোয়ননা মীওই ৫দা চাওনা কান্নবা ফংহল্লমখি। য়ু কেগী অহানবা ওইনা লন্দনদা লৈবা ক্বিন্স চার্লোদ এন্দ চেলসি হোস্পিটালদা অঙাংখাউ ত্রান্সপ্লান্ট তৌবা নুপীনা পোকপা অঙাং অদুগী মমিং হুবো পারেল কৌই। পোক্লকপা মতম অমদা অঙাং অদুগী অরম্বা কেজি ৩.০৯ ওইরম্মী। হৌজিক্তি চয়োল ১০ রোম শুরবা মরমনা অঙাং অদু থোইদোক্না খূৎথিনিংঙাই ওইদ্রে। চহী ২৫ রোম মুপ্না ৱুম ত্রান্সপ্লান্টকী মতাংদা রিসার্চ তৌদুনা লাকখিবা প্রোঃ রিচার্দ স্মিথনা হায়, য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌওং ওইবা তারবসু কনাগুম্বী নুপী খরদি অঙাংখাউ য়াওদনা পোক্লকপা য়াওই। ৱুম ত্রান্সপ্লান্টকী থৌওং অসি মায় পাক্লবনিনা অঙাংখাউ য়াওদনা পোক্লকপা নুপী কয়াসু মমা ওইহনবা ঙম্লগনি।

মালেমগী তেঙান তেঙানবা মফমদা পাক–শন্না চথনরিবা ইন–ভিত্রো ফর্টিলাইজেসন(আই ভি এফ)কী থৌরাং পুথোরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদগী ৱুম্ব ত্রান্সপ্লান্ট তৌনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। কুমজা ১৯৬০ দগী ১৯৮০ ফাওবা শা মখল খরদা ৱুম্ব ত্রান্সপ্লান্টকী চংয়েং তৌদুনা লাকখি। কুমজা ২০০০ দা মালেমগী অহানবা ওইনা সাউদি অরাবিয়াদা মশাগী চহী ২৬ শুরবী নুপী অমদা ৱুম্ব ত্রান্সপ্লান্ট তৌখি। অদুবু নৌনা ত্রান্সপ্লান্ট তৌরকপা অঙাংখাউ অদু নুমিৎ ৯৯গী মতুংদা অমুক হন্না লৌথোকপা তাখি।

## আর পি এফকী ৪৭শুবা মপোক কুমওন ‘ইন্দিপেন্দেন্স দিমান্দ দে’ থৌরম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ২৫ (ৱায়েল কাতি) ঃ** রিভোলুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী ৪৭শুবা মপোক কুমওন ‘ইন্দিপেন্দেন্স দিমান্দ দে’গী থৌরম ঙসি মণিপুর অমসুং মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা পার্টি অসিগী পি এল এগী য়ুনিট, দিপার্টমেন্ট, ষ্টেসন খূদিংমক্তা




পাঙথোকমিন্নখ্রে হায়না লোনা থিংখ্রবা লূপ অসিগী দেপ্যুতি সেক্রেটরি পল্লিসিতি রোবেন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লূপ অসিগী সেন্ট্রেল ব্যুরোগী মখাদা লৈবা দিভিজনগী মফমশিংদসু পার্টিগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ফ্লেগ, ফেষ্টুন অমদি ষ্টারনচিংবা থেৎতুনা মফমদুগী মীয়ামগা লোয়ননা পূন্না থৌরম পাঙথোকমিন্নখি হায়রি।

নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা থৌরমদি পার্টিগী ফিরালদা ইকাই খূম্নবা উৎতুনা ইমা লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোক নোন্দুনা ইকাই খূম্নবা উৎখি। লোয়ননা ইকাই খূম্নজরবা আর পি এফকী প্রসিদেন্ট এম এম ঙৌবনা মণিপুরগী মীয়ামদা পীবা য়াইফ–পাউজেল পাঙথোকপনা মরু ওইবা থৌরম ওইখি হায়রি।

অরোইবদা হায়রিবনা, আর পি এফকী ৪৭শুবা মপোক কুমওনগী পাউজেল অসিনা মণিপুরদা য়েলহৌঙেদগী খুন্দামিন্নরবা কাঙলূপ পুন্নমক্না অমত্তা ওইনা পূনশিন্দুনা ইরৈপাক মীয়ামগীদমক হেন্না মাঙজিল থানা কখোকপা ঙম্বা, নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবা অমসুং মায় পাকপা পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়না ইচৈরশিংদা থমজরি হায়রি।

# এদিটৌরিয়েল

WAYEL KATI
ইম্ফাল,লমতাগী ৯ নি পানবা, য়ূমশকৈশা ফেব্রুৱারী ২৫,২০২৬ ইং

## লম্বী শেন্বদা মঙম শান্দবা

### উফুল ৰাইফুলনা হকশেলদা শোকহল্লিবশিং মীৎয়েং চঙঙু

মীওইবগী হকচাং শোকহনবা পোলুসন মখল ৫ লৈ। মখোয় অদুদি এয়র পোল্লুসন, ৱাটর পোল্লুসন, সোইল পোল্লুসন, নোইজ পোল্লুসন অমসুং লাইট পোল্লুসন হায়বসিনি। মসি নত্তবা পোল্লুসন মখল ময়াম অমসু লৈ। মখোয়গী মনুংদা থর্মেল পোল্লুসন, রেদিও এক্তিভ পোল্লুসন, প্লাষ্টিক পোল্লুসন, ভিজ্যুয়েল অসিনচিংবনি। হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা থেংনরিবা পোল্লুসন মখলশিং হায়বদি মৈখু, হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা গ্যাসশিং, গাড়ীশিংনা মরম ওইরগা পুথোকপা দষ্ট (উফুল ৰাইফুল), ফেক্টরিশিং অমসুং থাও মৈ চাকপদগী নুংশিং নুংশা শেংহল্লক্তবশিং অসিনি। ৱাটর পোল্লুসন হায়রগদি তুরেল, পাৎ, ইরম খোঙলমশিংদা লৈরিবা ঈশিং শেংলক্তবা অসিনি। কেমিকেল, প্লাষ্টিক নৎত্রগা ইন্দষ্ট্রিয়েল ৱেষ্টনচিংবনসু ঈশিংদা পোল্লুসন থোকহল্লি। সোইল (লেন্দ) পোল্লুসন হায়বসিনা ফত্ত–হাওদি ময়াম অমা মফম মরাং খঙদনা হুন্দোকপা, প্লাষ্টিককী পোৎলমশিং চাইথোকপা, তিলহাৎ হিদাকশিং হৈদোকপা অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল ৱেষ্ট ময়াম অমা লৈবাক্তা হুন্দোকপনা সোইল পোল্লুসন থোকহল্লি। নোইজ পোল্লুসন হায়বসিনা অয়াম্বনা লম্বীদা চেল্লিদা গাড়শিংনা পুথোকপা অহৌবা মখোল, লাউদ স্পিকরশিং ইন্দষ্ট্রি অমসুং কন্সট্রক্সন সাইটতা ঙংবা, থিনবনচিংবগী খোঞ্জেলনা পোল্লুসন থোকহল্লকপা অসিবুনি। লাইট পোল্লুসন হায়বসিনা ঐখোয় মীওইবনা মখল মখা কয়াগী মচু মমেন ওইবা অঙানবা লাইটশিং সিতি মনুংদা পাক শন্না শীজিন্নরকপনা মীওইবদা, শা ঙাদা অমসুং ঐখোয়গী মহৌশাগী ওইবা খলদা পোল্লুসন থোকহল্লি। লোক্তাক পাৎতা চাক্তরম্বা লমকোই উচেক মখল কয়ামরুম পাইরকখিদবগী মরু ওইবা মরমদি এল ই দি লাইটশিং পাক শন্না শীজিন্নরকপদগীনি হায়নরিবনি। য়ামখ্রবা পোল্লুসনশিং অসিগী মনুংদা মণিপুরদা থেংনরিবা মখল মঙা তরুক অসিগী মনুংদা অমখক্তং ঐখোয়না নৈনসি হায়বা তারগদি এয়র পোল্লুসন অসিনি। মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিং নৎত্রগসু ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মেঘালায়া হায়বা ষ্টেট অসিদা গাড়ীদা লৈখোম লৈনাং তৈবা, উফুল ৰাইফুল থাংলগা সিতি মনুংদা থৌহন্দে। মসিগীসু মথক্তা গাড়ী অয়াম্বা অকোপ্পা নৎত্রগনা খোৎপগী শক্তম ফাওবা উবা ফংদে। মসিনা তাক্লিবদি পরম চুম্না গাড়ী থৌহল্লি অমসুং সিতি মনুংদা উফুল ৰাইফুল থোকহন্দনবা তৌবা য়াবা খূদিংমক তৌই হায়বনি। মালেমগী ওইনা শিঙ্গাপুর হায়বা লৈবাক অসিদা চেল্লিবা মশিং য়াম্লবা গাড়ীশিংগী মমায়দা নৎত্রগা বোদিদা উফুল ৰাইফুল অমফাওবা পক্তে। নোং ফনা কন্না চুরগসু মদুদা থৌরকপা গাড়ী অমনা লৈখোম তৈদে। মসিমক্তা মরম ওইরগা সিঙ্গাপুরগী ৱেদর অসি তশেং তশেং হেক য়েংখি য়েংখিবা মফম খুদিংমক্তা তরু তনানবা উফুল ৰাইফুল চেন্দবা মরম ওইবনা য়ূম অমদি ওফিস বিল্ডিংশিং ঙরাংদা রং কামখিবদৌনা তৌই। অদুগা মণিপুরদদি অনানবা গাড়ী অমত্তা উবা ফংদে।

মণিপুরদা হৌজিক মীয়াম্না থেংনরিবা এয়র পোল্লুসন অসি করম্না থোরকপনো হায়বা তারগদি লম্বী শেন্বা লোইবা ঙমদবা দব্লিউ বি এম লৌরগা লম্বীদু মতম শাংনা হুন্দোক্লগা থম্বা, মরু ওইবা লম্বী খূদিংমক্কী ময়াই থংবা শরুক খরা খক কোইলাস থারগা লৈবাক ওইনা লৈবা শরুক ময়াম অমা হুন্দোক্লগা থনম্বা, লবুক্তা লৌ কোইরুরগা নৎত্রগা লৈবাক চিংখৎলকপদা ট্রেক্টর অমদি গাড়ীশিংগী কাংখোংদা লৈখোম লৈনাং পুখৎলক্লগা লম্বী লমজাওদা থাদরম্বা অসিনচিংবনি। মসিগীসু মথক্তা লৈঙোই, লৈবাক, নুঙ অমদি ফত্ত–হাওদি পুরিবা ট্রকশিং মখূম অমফাওবা খূমদে। মদুদগী পাইথোরকপা উফুল ৰাইফুলশিং অদুগা লম্বীদা হান্নদগী পৈদুনা লৈরবা উফুল ৰাইফুলশিং অদু গাড়ী থৌবগী শাহুমনা মিটর ১০০ ফাওবা লাপ্পা মফমশিংদা পুখৎলক্তুনা মীয়ামগী হকশেলদা শাথিনা শোকহল্লি। হৌজিক হৌজিকসু পি এম জি এস ৰাইগী মখাদা লৈবা লম্বী কয়া এম দি আর অমসুং ও দি আরগী লম্বী কয়ামরুম শেন্বগী থবকসু হৌবা য়াওরে। হৌদবা ময়াম অমসু লৈরি। থবক হৌরবা লম্বীশিং অদুসু উফুল ৰাইফুল ঙাক্তা হুন্দোক্লগা থল্লি। শেমদ্রিবা কাঙবু অদুসু উফুল ৰাইফুল ঙাক্তা ঙাইহল্লি। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি লম্বী শেম্নবগী কন্ত্রেক্ট পীখিবা তারগদি শেমগদৌরিবা লম্বী অদুদা থোক্লকপা উফুল ৰাইফুলশিং ফাজিনবগী থবক কন্ত্রেক্ট লৌরিবা ঠিকাদার অদুগীনি। ঐখোয়গী শ্বাইদদি লম্বী শেন্নগদি শেন্বা লোইদ্রিবা ফাওবা উফুল ৰাইফুল খরা থাংবা হায়বসি হৌনশানি হায়না হেক্তমক হায়দোকই। মীয়ামসু মখোয়গী হকশেলগীদমক থোইনা খন্নদে। অদুবু চাওখৎপা মফমদগা ওইরগদি ঠিকাকার জেলদা লৈতনিংঙাই মরম লৈতে। মসিনা তাক্লিবদি ঐখোয় শ্বাইসি চাওখৎপা ৰাৎলি হায়বনি। থোংজু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মফম কয়ামরুম য়াওনা ইম্ফালগী অমসুং মরু ওইবা লম্বীশিং শেন্বগী থবক য়াম্না কন্না চথরি। মরী লৈনবা ওথোরিতি অমসুং ঠিকাদারশিং অদুনা লম্বী শেল্লিবা অদু খক খল্লি। লম্বী শেল্লিঙৈগী মনুংদুদা মীয়ামদা থোকহল্লিবা এয়র পোল্লুসনশিং অদুনা মনাক নকপদা লৈরিবা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেংশিং অদুদি করিমত্তা খন্দে। হৌজিক্তি মশিং য়াম্লবা মীওই কয়া অমা লোক থুংবা, নুংশা হোনবা নুংঙাইতবগী লায়না কয়ামরুম শন্দোক্লে। মসিগীসু মথক্তা নিংথিনা লৈতেংলবা য়ূম কয়ামরুম উফুল ৰাইফুল ঙাক্তা ঙাইখ্রে। থোঙ লোল্লগা থম্বা য়ূম মনুং ফাওবা উফুল চঙশিন্দুনা কীনীংঙাই ওইরক্লে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৰাফমদি অতেনবা মতমগী মনুংদা লম্বী শেন্বা লোইশিল্লু। উফুল থাংবা সিতি ওইহন্দনবা থৌশিল শেম্মু। অমোৎপা গাড়ী সিতি মনুংদা চঙবা থিংবা ঙম্নবা উফুল–ৰাইফুলগী সিতি ওইহনগনু। মীয়ামগী হকশেলগীদমক্তা খল্লগা এয়র পোল্লুসন থোকহনবশিং থিংননবা থবক লৌখৎলু হায়জনিংই।

# ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স মণিপুরদসু লিংগদবনি

**থাংজম রঞ্জিৎ**

ইন্দিয়ান আর্মি অসি ভারতনা নিংখা তম্লবা মতুংদগী ভারতকী ঙাক শেন্দুনা লৈরকপদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সিগা মরী লৈনবা হিরমশিংদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মসিগী য়ুনিট অমা হাংদোক্তুনা নোংম নোংমগী অকিবগী মশক ওইনা হোংলক্লিবা, মাঙথরক্লিবা ঐখোয়গী ইনভাইরোনমেন্ট (অকোয়বগী ফিভম) কন্নবা হোৎনবদসু শরুক চাউনা য়ারি। মখোয়না অশংবা মচুগী ফিজোল শেৎতুনা, হিরম কয়াদসু মহৌশাগী ওইবা পাম্বীশিং, অশংবা মনা মশিং অমসদুং উমং কন্নবগী থবক্তা মতেং চাওনা পাংদুনা লাক্লি। মসি 'মদর আর্থ' মালেম ইমাবু নুংশিবগী খুদমনি।

ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স হায়বসি আর্মিগী এক্স সার্ভিসমেনশিংতনা শেম্বা আর্মি য়ুনিট অমনি। মসি টেরিটোরিয়েল আর্মিনি হায়বদি আর্মিগী মথংদা সেকেন্দ দিফেন্স ফোর্স ওইনা লৈবনি। আর্মিশিংনা নোংমৈ অমসুং টেঙ্ক শীজিন্নদুনা লৈবাক ঙাকপগী থৌরম লৌরম্লবা মতুংদা টেরিটোরিয়েল আর্মি ওইনা ইকোলোজিকেল টাস্ক ফোর্স কৌদুনা য়োৎপাক অমসুং করনি শীজিন্নদুনা অমুক হন্না লৈবাক্কী থৌদাং মখা তানা লৌরকপনি। লৈবাক্কী ফিভম চাদ্রবা, শোক্লবা মফমশিং– খোনি লৌথোকখ্রবা, উমং কোকখ্রবা অমদি চাং হন্থরক্লবা মফমশিংদা চঙশিন্দুনা উমং শেমগৎতুনা অমুক হন্না মফমদুগী পুন্সিদা অফবা অওনবা, অশং অমান্তনা থনবা মফমশিং শেমগৎপনি। নোং তারমদবা মফম নোং তাহনবনি, অশাবা মফম উমং শেমগৎতুনা ঈংহনবনি, নুংশিৎকী খোঙজেল কল্লম্বা মফম তপথহনবনি, লৈবাক লৈহাও চেন্থবা হন্থহনবনি, থিংবনি, মরু ওইনা। মপুং ফানা উমং য়োকখৎপগী থবক্তা মতেং পাংহন্নবগীদমক ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নৈ, মতেং পাংনৈ।

ই.টি.এফ অসি খৃষ্ট চহী ১৯৮২ গী দিসেম্বর ১দা, ১২৭ শুবা ইনফেন্টরি বাট্টালিয়ন ওফ গরৱাল রাইফলসদা টেরিটোরিয়েল আর্মি য়ুনিট লিংখৎতুনা ভারত্তা ইহান হান্না হৌদোকখি। মসি লিংখৎপগী মরু ওইবা পান্দমদি– ইকোলোজি ঙাক শেনবা (ঈশিং, নুংশিৎ হোংদনবা হোৎনবা) অমসুং পোত্থাখ্রবা সিফাইশিংবু অমুক হন্না থবক পীবনি। মসিগী ৰাখল্লোন অসি ভারতকী প্রধান মন্ত্রি ওইরম্বী শ্রীমতি ইন্দিরা গান্ধিদা ডা. নোরমেন বোরলোগ কৌবা আমেরিকাগী মীওই অমনা ৰাখল পীরম্বদগী ভারত্তা থবক ওইনা পায়খৎখিবনি। ইকোলোজিদা মাঙথরক্লিবশিং, অমাং অতা থোরক্লিবশিং অসি ৱার ফুটিংদা এক্স সার্ভিসমেনশিং শীজিন্নদুনা থবক পাঙথোকহনগদবনি হায়বা মহাক্কী অকনবা পাউজেল অদুগী মহৌনা ই টি এফ শিং মায় পাক্লিবনি।

ই.টি.এফ. অসি রিগুলর অমসুং টেরিটোরিয়েল আর্মি ওফিসারশিং পুন্দুনা শেম্বনি। অপুনবা ই.টি.এফ. অমগী মশিং অসি অকক্নবা লৈতেং ১০০ দগী ১৫০ ফাওবা অয়াম্বনা কম্পনি অমদা লৈনৈ। মখোয়শিং অসি অয়াম্বনা লৌউ শিংউ তৌবা, উ–ৰা, হৈরা থাবা তৌবা হৈবা মরম্না মতম অয়াম্বদা মালেম ইমাগী মতম্বাক্তা থবক তৌই।

ই.টি.এফ.কী মায় পাকখিবা ৱারী কয়ামরুম লৈ, মখোয়শিংদুগী মনুংদা লৈবাকসিগী অহানবা ওইনা দিল্লিদা লৈবা সাউদর্ন রিজ হায়না খঙনবা (ভত্তি ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি লৈরিবা) মফম অসিদা মায় পাকপগী ৱারী ফোঙখি। হৌখিবা ২০০০, ওক্টোবর থাদগী ১৩২ ইনফেন্টরি বাট্টারিয়ন (টি.এ.) রাজপুট রাইফলস (ই.টি.এফ.) না মায় পাক্লা উমংগী লম খোপচিনবা আইন্না য়াদবা মওংদা খনি তৌবা(মাইনিং তৌবা) অসিনচিংবা আইন কায়বা থবকশিং থিংবা ঙমখি। মসিদসু নত্তনা দিল্লি সরকারদা দেরা মন্দিদা লৈবা গাউন সভা হায়না খঙনবা মফমদা উ–ৰা থাহন্দুনা মায় পাকহনখি, অশং অমান্না থনবা লমদম ওইহনখি। ২০০১–২০০২ দগী ২০০৯–২০১০ ফাওবগী মতমদা একর ৩৩ তা উ–ৰা থাদুনা উমং শেমগৎখি।

অতোপ্পা আর্মিগী মায় পাকপগী ৱারী অমনা হৌজিক চিফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফকী জেনরেল বিপিন রাৱটকী ৰাখল্লোনদগী উট্টরখান্দ অমসুং চাইনাগা তাইননা লৈবা মলেরিদা মগুণ লৈবা ৱালনৎ অমসুং চীলগোজা চারা আর্মিনা মতেং পাংহন্দুনা থাহনখি অমসুং মফম অদুদা ফেমিলি কয়া থবক পীরমই অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা মতেং পাংখিরমই।

লদাখকী লেহ অসি য়ান্না ৱাংবা মফম ওইবনা, উন তাই। ষ্টেট অসিগী ফোরেষ্ট অমসুং ইনভাইরোনমেন্টকী মতেং লৌদুনা আর্মিনা (ই.টি.এফ. লিংখৎত্রিঙৈদা) ফুট ৪।৫ ৱাংবা উচারা লিশিং কয়া থাখি। চহী ১।২ লৈরগা মনা পাকপা পাম্বীশিং অদু ফুট ১০–১২ ৱাংলকপা মতমদা নোং তারক্লমই। উনদগী ঈশিং উবা নত্তনা নোংদগী ঈশিং উদনা লাকপা লেহদগী মীওইশিং অহানবা নোং তারকপদা মীয়াম থোরক্তুনা হরাওনখি, য়েংনখি, পুমলাং লাংনখি হায়বগী রিপোর্ট লৈ।

রাজস্থানদা লৈবা থার মরুভুমি অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈবা লমদমশিংদসু চিঙ্গোংলৈ (একাসিয়া) কয়া আর্মিনা থাদুনা নোং তাহনখি। চিঙ্গোংলৈ থানবগীদমক্তা সিফাইশিংনা লম্বী নাক য়েৎতা ঈশিং টেঙ্কী মশিং থিঙমদনা থমদুনা চিঙ্গোংলৈ ঈশিং চাইহনখি অমসুং মমৈদা ফুট ১০–১২ ৱাংলক্লবা মতমদা অহানবা ওইনা মরুভুমিদা নোং তারকখি, মসি ১৯৮০ গী অঙনবা শরুক্তনি।

অসামগী ই.টি.এফ. অনীগী মায় পাকপগী ৱারীশিংঃ

অসামদা লিংখৎখিবা ১৩৪ ইনফেন্টরি বাট্টালিয়ন (টি.এ.) ই.টি.এফ. অসিনা সোনিতপুর দিষ্ট্রিক্তা উমং কোকথোকখ্রবা মফমশিংদা উ পাম্বীশিং থাজিন্দুনা অশং অমান্না থনবা অচৌবা মশক নাইবা থবক অমা পাঙথোকখি। ই.টি.এফ. অসিনা চহী ১০ গী মতমদা হায়বদি ২০১৮ ফাওবদা পুন্না উ পাম্বী মখল মখা কয়া পুন্না লাক্ষ ৬০ থাবা ঙমখি। চহী খুদিংগী উ পাম্বী লাক্ষ তরেৎ তরেৎ থাবগী প্রোগ্রাম থমদুনা পাঙথোকই। অসামদা থবক তৌরিবা ই.টি.এফ. অনীগী মমিংশিংদিঃ ক) ইষ্টর্ন প্রান্টরস, খ) গ্রিন রাইনো।

ক) ইষ্টন প্লান্টরস ১৩৪ ই.টি.এফ.অসিনা পাঙথোকখিবা মায় পাকপা খরদিঃ

১) উ থারিবা মফম অদুগী অকোয়বদা হৌরিবা উ–ৰাশিং য়ান্থৎপা মপুং ফানা থিংবা ঙমখিবা।

২) উ–ৰা লোন্না য়ান্দুনা করবার তৌবা থিংবা ঙমখিবা।

৩) মফম অদুগী প্রজাশিংগী ৰাখলদা উমংশিং শেমগৎপা ঙমগনি থাজরকপা।

৪) পাম্বী চারা শেন্বা অমসুং মরু হুনবদা মায় পাক্লকপা।

খ) গ্রিন রাইনো ১৩৫ ই.টি.এফ.কী মায় পাকখিবা খরদিঃ

১) 'মাই আর্থ, মাই দ্যুতি' হায়বা উ পাম্বী থাবগী কেম্পেইন অমা স্কুল, কলেজশিংদা হৌদোক্তুনা চত্থদুনা ইকোলোজি অমসুং ইনভাইরোনমেন্টকী মরমদা ৰাখল লৌশিং শন্দোকপা ঙম্বা।

২) ১৩৫ ই.টি.এফ. অমদি ষ্টেট ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টগা পুন্দুনা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক চহী খুদিংগী পাঙথোকপা ঙম্বা।

৩) শা তানবা অমসুং জঙ্গল কোকথোকপা অমসুং মরম চাদনা উ–য়ানবা থিংবা ঙম্বা অমসুং চহী ১০ দা উচারা লাক্ষ ৬০ থাবা ঙম্বা।

৪) গ্রিন রাইনো (ই.টি.এফ.) অসিগী য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই ওইবদি হৌখিবা ২০১২ দা পুং অমদা উ পাম্বী চারা ৪০,৮৮৫ থাদুনা গিনিস বুক ওফ ৱার্ল্ড রেকোর্দ চনবা ঙমখিবা অসিনি। (মথং মথং)

# আর পি এফকী প্রসিদেন্ট এম এম ঙৌবনা য়াইফ–পাউজেল পীরক্লি

ঙরাংগী মখাঃ

লোনা য়াদবা রিভোলুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী ৪৭শুবা মপোক কুমওন নুমিৎকা মরী লৈননা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট এম এম ঙৌবনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, সাউথ এসিয়া লৈবাক্তা য়েংবা মীৎয়েংদগী হেন্না শাথিনা ইন্দিয়ানা ম্যান্মারদা য়েংই। ইন্দিয়াগী মীৎয়েং অসি 'হায়লি পোলরাইজ, তু ত্রেক পোলিসি ৱিথ এ হার্দ রেদলাইন' নি। ইন্দিয়াগী অসিগুম্বা মীৎয়েং অসি ম্যান্মার গভর্নমেন্ট অমসুং ম্যান্মার লালহৌবশিংনা উই।

নভেম্বর ২৫ তা সিএনএফ, এএ অমসুং এনয়ুজি অহানবা ফোর্মেল ওইনা দিল্লিগী সেমিনার অমদা য়াওহন্নবা ইনভাইট তৌবা মতমদা ম্যান্মারগী লান্মীগী মকোক থোংবনা চাইনাদা চৎপদগী ইনভাইট অদু তুমিন্না হন্দোকখি। ম্যান্মার অসি চাইনাগা লোয়নখিদনবা হায়দুনা ম্যান্মারগী লাঞ্জিং তুরেলশিং অমুক কোনশিন্নবা হোৎনৈ। ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা ইন্দিয়া অসি 'তিন্নবদা কান্দি–কান্নবা অদুবু পংথা থাজবা য়াদবা ইতাওনি' হায়না লৌই। অদুগা লালহৌবশিংনা ইন্দিয়া অসি ফিভম অরুবা অমা লৈরগা হেক ৱারী তৌবা অদুগা চাইনা চঙলক্লগনা হেক হন্দোকখিবা 'মপাল ফরিঙৈ মরুপ' নি হায়না লৌই। ম্যান্মার অপুনবগী ওইনদি ইন্দিয়া অসি 'পোলিটিকেল্লি থাজবা য়ান্না য়াদবা অমসুং কিনিংঙাই ওইবা' অমা ওইনা লৌই। শন্না 'ময়াং তাৎনি থাজদে' হায়বনি। মরম অসিনা ম্যান্মার খক্তা নত্তনা সাউথ ইষ্ট এসিয়া লৈবাক্তা ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসি অসিদা থাজদবা মীৎয়েং পোক্লক্লি অমসুং মমি শান্নক্লি।

অসিগুম্বা মালেমগী পোলিটিক্সতা ফজনা উদ্রিবা ইন্দিয়াগী মথক্তা ৱেসিয়া লমদম অসিগী মীয়াম্না নিংতম লান থেংনরি। রিভোলুস্নরি পিপল্স ফ্রন্ট (আরপিএফ)কী ওইনসু ঙসি অসি ইন্দিয়াগা লান্থেংনবা চহী ৪৭ মপুং ফারে। অসুক শাংলবা মতম অসি য়েক্লবা ইন্দিয়ানা ঐখোয়বু মায়থিবা পীবা ঙমদদুনা লাক্লি। ৱেসিয়া লমদমগী মীয়াম্না মরুওইনা মণিপুর মীয়াম্না শৌগৎপা অচুম্বা অমসুং অশেংবা নিংতম লান্থেং ওইবা মরম্না ইন্দিয়ানা ঐখোয়বু মায়থিবা পীবা ঙমদবনি হায়না আরপিএফনা লৌই। আরপিএফকী ওইনসু ঐখোয়গী হকচাংদা ঈ মরিক অমা ফাওবা চেল্লিবমখৈদি ঐখোয়গী নিংতম লাল অসি নিংহন্নবা লৈতনা লান্থেংনখিগনি।

অদুমওইনমক আরপিএফকী নিংহন্নদবা ফিরেপ অমসুং ৰাখল্লোন অসিবু মায়থিবা পীনবা ইন্দিয়ানা ফৎত্রবা অরোনবা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নবদা নত্তে। ২০২৩গী কুকি–মৈতৈ অনিগী ৰাথোক অদুদি ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা হকথেংননা ইনশিন্দুনা থোকহনখিবা ওইবনা ফুরুপকী অমদি লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা চোংশিন্দুনা অচাকপা মৈদা থাউ ওইনা হৈজিনখি। ইন্দিয়াগী নেসনেল মেদিয়াশিংসু য়াওশিন্দুনা মৈকাম ওইদুনা মৈচাক হেলহল্লি। হন্দক ফেব্রুৱারি ২০২৬ মনুংদা উখ্রুলগী লিতানদা কুকি–তাংখুল অনিগী মরক্তা থোকখিবা য়ুম মৈ থানবা য়াওবা থৌদোক অদু ২০২৩গী কুকি–মৈতৈ অনিগা মান্নদবা মওংদা ফুরুপকী অমদি লৈবাক্কী লুচিংবশিংনা অথুবা মতমদা তায়শিন্নবা হোৎনখি। অসুন্না থৌদোক অনি অসিগী খেন্নবা অসি মণিপুরগী মীয়াম্না তশেং তশেংনা খঙই অমসুং মেদিয়াশিংনসু অশেংবসি ইরগা ফোঙদোক্লি। অদুমওইনমক ইন্দিয়ান আর্মিনা কাঙলুপ অমদা তোংশিল্লি হায়না মরাল শিরকখি। অমবু ওইরবসু কাঙলুপ অমদা তোংশিন্দুনা খৎনহনবা অপুনবগী শক্তম থুগায়বা হায়বসি ইন্দিয়াগী শাগোন্নরক্লবা লমচৎনি অমসুং লাল্লোংনি।

ইন্দিয়ানা ৱেসিয়াগী অপুনবা শক্তম অসি থুগায়নবা অমসুং নিংতম লাঞ্জং মপাঙ্গল শোন্থনবা শিল্লিবা অরোনবা ফৎত্রবা খুজিল থৌরাংশিং অসি লেপ্পা লৈতনা চত্থরকখিগনি। ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি মখোয়না থাদোকপা মেদিয়াশিংনা শন্দোরকপা অরানবা প্রোপেগন্দাশিং থাজবিরুগনু। খুরক্কী ঈনা লাই শারিবা ইন্দিয়ানা ইৎতুনা থাদোক্লবা অরোনবা এজেন্সিশিং অসি মীয়ামদা উখোকসি। আরপিএফনা ঐখোয়গী মীখা পোল্লবা অমসুং ৱারবা মীয়ামদা থাজবা থল্লি। ঐখোয়গী মীয়ান্নসু আরপিএফতা থাজবা থম্বিয়ু। ঙসিদি আরপিএফ অসি ইন্দিয়াগী অরোনবা অমসুং অফোঙবা লাল্লোংনা মায়থিবা পীবা ঙমদবা য়াওল্লুপ অমা ওইবতা নত্তনা ময়াম্না শকখঙলবা য়াওল্লুপ অমা ওইররে। দোমেষ্টিক, রিজনেল অমসুং ফোরেন এফিয়র্সশিংদা খুমাং চাওশিনবসু ঙম্লে। অসুম্না আরপিএফনা খুমাং চাওশিনবা ঙম্লিবা অসি ঐখোয়গী মীয়ামগী মতেংননি। আরপিএফকী লাঞ্জংবু মখা তানা শৌগৎপিয়ু, তেংবাং পীবিয়ু অমদি অঙম্বা থাক্তা শরুক য়াবিয়ু। লোয়ননা ৱেসিয়া লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম শাগৎপা মতমদা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু হায়না আরপিএফনা অমুক্কা হন্না হায়জরি।

অরোইবদা ঙসিগী য়াইফরবা নুমিৎ অসিদা আরপিএফনা ইমা লৈবাক মীয়ামগীদমক্তা থৱাই খুবাক্তা হাপতুনা য়েক্লা মাইরোং য়ামিন্নরিবা কোরকোম য়াওল্লোইশিং, আরপিএফকা চৎমিন্নরিবা অতৈ লুপশিং, লৈবাক্কীদমক চোংথোরক্লিবা মীওই অমদি লুপ খুদিংমকপুসু ইকায় খুম্নজবগা লোয়ননা পুন্নমক্কী য়াইফ থৌনিজরি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**RIDJ EDUCATION FOR ALL মফম হোংলে**

**RIDJ EDUCATION FOR ALL**গী এদুকেস্নেল সেন্টর হান্না কোংবা বজারদা লৈরম্বা অদু খুদোংচাদবা খরদগী কোংবা বজারদগী কোংবা তুরেল মপাল লোমদা খরা খক হাইথরগা লৈবা কোংবা উচেক্লোন মথক, Near সন লাইট লাইব্রেরি ক্লব এন্দ কম্যুনিতি হোলদা ওইনা মফম হোংজরে। মরম অসিনা মরী লৈনবা পুন্নমক্লা নৌনা হোংলিবা মফম অসিদা ওইনা লাকপীনবা হায়জরি।


# WAYEL SUDOKU

*Puzzle 221*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | 2 | | | | 3 | |
| 5 | | | | 1 | | 7 | | |
| | | | 7 | 9 | | | | |
| | | 8 | | | | 1 | | |
| | | | | 7 | | 3 | 5 | |
| | 6 | | 9 | | 4 | | | 8 |
| 9 | | 2 | | 3 | 1 | | 4 | |
| | | 6 | | 4 | | | | |
| | | | | | | | | |

# WAYEL CROSSWORD

*Crossword-218*



**ACROSS**
- 7 Direction indicator (5)
- 9 Bewildered (9)
- 11 Knocks down (10)
- 12 Picturesque (6)
- 13 Time of prosperity (4)
- 15 Resentment (7)
- 16 Gardening tool (3)
- 17 Sports hall (9)
- 19 Gather crops (7)
- 20 ___ and chips, seaside treat (4)
- 21 Squanderer (11)
- 25 Northern Irish county (6)
- 27 Roles (5)
- 29 Exist (3)
- 30 Popular sandwich (3)
- 31 Decipher (5)
- 32 Sealskin boot (6)
- 34 Wildlife path (6,5)
- 36 Plastic brick brand (4)
- 39 Element, symbol U (7)
- 41 Naked (9)
- 44 Gesture of approval (3)
- 45 Computer accessory (7)
- 47 Speech impediment (4)
- 48 Get even (6)
- 50 London palace (10)
- 52 Three-event contest (9)
- 53 Florida city (5)

**DOWN**
- 1 Division (8)
- 2 Italian river (4)
- 3 ___ hound, tall long-haired dog (6)
- 4 Worrier (7)
- 5 Wheel spindle (4)
- 6 Nervousness (8)
- 8 Restaurant worker (8)
- 10 Wrongdoer (9)
- 14 Less (5)
- 16 Hiker's bag (9)
- 18 Not well-liked (9)
- 20 Travel by air (3)
- 22 Scandinavian nationality (9)
- 23 Service charge (3)
- 24 Telescope part (4)
- 26 Had more weapons than (9)
- 28 Oil reservoir (4)
- 30 Lingerie item (3)
- 33 Alien craft (3)
- 35 Apparatus (9)
- 37 Praise lavishly (5)
- 38 Selflessness (8)
- 40 Modernise (8)
- 42 Rapturous (8)
- 43 Black-and-white horse (7)
- 46 Electronic music genre (6)
- 49 French for 'black' (4)
- 51 Provoke (4)



| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 1 | 7 | 2 | 8 | 6 | 5 | 3 | 9 |
| 5 | 8 | 9 | 4 | 1 | 3 | 7 | 6 | 2 |
| 6 | 2 | 3 | 7 | 9 | 5 | 4 | 8 | 1 |
| 7 | 5 | 8 | 3 | 6 | 2 | 1 | 9 | 4 |
| 2 | 9 | 4 | 1 | 7 | 8 | 3 | 5 | 6 |
| 3 | 6 | 1 | 9 | 5 | 4 | 2 | 7 | 8 |
| 9 | 7 | 2 | 8 | 3 | 1 | 6 | 4 | 5 |
| 1 | 3 | 6 | 5 | 4 | 9 | 8 | 2 | 7 |
| 8 | 4 | 5 | 6 | 2 | 7 | 9 | 1 | 3 |

Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733